# মথী ময়ুং শেংদোক্কনা ওক লোয়বা

- ডা. সরাংথেম জেসমারানি -

হৌজিক্কী মতমদা শেন্দাল লন্বী অমা ওইনা মফম খুদিংদা ওক লোয়নরি। ওকশিং লোয়বা মতমদা যূমগী মনাক নকপদা লোয়বনা অয়াম্বনি। মসিদা মথী-ময়ুং শেংদোক্লগা মফম চানা পৈশিনফম লৈতবগীসু অৱাবা অমা ওইরি। ওক লোয়বা মতমদা যূমলক্তা লোয়বসিসু অচৌবা অশোয়বা অমনি। অদুবু মফম নিংথিনা লৈতবা মফম ওইরগদি অনৌবা মওং অমদা লোয়রগা মনম মহা চেলহন্দনা মথী-ময়ুংসু শেংদোক্তনা লোয়বসু য়াই। হায়রিবা ওক লোয়বগী মওং অসিবু ঐখোয়না বোকাশী পীগরি হায়না কৌনৈ।

বোকাশী হায়বগী ৱাহন্থোক্তি পুমহল্লবা ওর্গানিক মেট্রর হায়বনি। মসি জপানিজ লোলনি। মসিগী মওংদা লোয়বা মতমদা কান্নরবা মীৎনা উবা ঙমদবা অফবা মখলগী হীংকুপ ময়াম অমা শীজিন্নে। মসিগী মথক্তা ৱাদগী লৌবা মহী অমগসু শীজিন্নৈ। অফবা মখলগী হীংকুপশিং অসিনা ওক্কী মথী-ময়ুংদগী থোরকপা নমথীবা মনম কয়া অমা মনম চেলহন্দে, হয়িং তোংবগী চাং য়াম্না হন্থহল্লি, ওকশিং নাবগী চাং য়াম্না হন্থহল্লি, মচিঞ্জাক চাবগী চাং হন্থনা পীজরগা লুম্বগী চাং হেনগৎহল্লি। থা তরা শুবদা মপূং মরৈ ফাদুনা য়োনবা ঙমহল্লি।

ওক্কী মকোন শাবা মতমদা লৈমায়দগী ফুট ৩গী চাংদা লুনা তৌবীগনি। করিগুম্বা মতমদা নীংশিংবীগদবা অমনা শাগদৌরিবা ওকোনদুগী মনাক্তা করিগুম্বা লৌবুক ওইরগদি নোংজু থা মতমদা ঈশিংগী ঈফুৎ ফাওরকপগী চাংসু য়েংবীগনি। করিগুম্বা ঈশিং চুমথরকপগী মওং উরগদি খরা ৱাংখৎনা লৈহনবসু অকায়বা লৈতে। তৌবতবু কোমদু ফুট ৩দি লুহনবীগদবনি। মচা ধারা লৌনবগী ওক ওইরগদি ওক অমদা ফুট ৬ x ৪ ওইগনি। অদুগা মশা চাননবা ওক পূন্না লোয়গদবা ওইরগদি ওক অমদা স্কৱার ফুট ১৬ ওইগনি। ওকোন শাবা মতমদা অকোয়বদু লৈমায়দগী ফুট ২ ৱাংনা কোয়শিনবীগনি। মসি নৎত্রগসু লমহাঙ ওইরগদি অকোয়বগী ৱালদু ফুট অনীমুক্তং খাজিনবীগনি। ওকোনগী মথক্লা/যুমথক্লা সধারনগী ওকোনগী যূমথক্কুম্না শেন্বীবা য়াই। ওকোন মনুংদা ঈশিংগী ইফুৎ ফাওরক্লগদি হায়রিবা বোকাশীগী মওংদা লোয়বদা অশোয়বা কয়া অমা য়াওরক্কনি। মরম অসিনা ওকোনগী কোম তৌবা মতমদা ঈশিংগী ইফুৎ লাক্তনবা অমদি কংনা থম্নবা হোৎনবীগনি। ওকোন মনুংদসু নুংশিৎ নুংশা মরাং কায়না ফংবা মথৌ তাই।

ওকোন মনুংদা কোম তৌরবা তুংদা কোমদুদা উকুপ ৪০%, অকংবা মনা-মশিং/চৰ্দ ১০%, ৱাইকুপ ২০%, অফবা মখলগী লৈবাক ২০%, ৱাইদগী শেন্বা মৈতাল ১০%, কলানমক, ৱা মহী অমদি হীংকুপ শীজিন্নবীগনি।

মথক্তা থল্লিবা পোৎচং ময়ামশিং অসি ঐখোয়না তৌরিবা কোমদুগী চাওবা শাংবগী মতুংইন্না মরোল মরোল হাপ্পীগনি। মরোল অমা হেক হাপ্পা লোয়বগা ঈশিং চাইশিনবীদুনা তোৎশিল্লগা লৈতেম মান্ননা থন্বীগনি। অদুগা অমুক অতোপ্পা মরোল অমা শেম্নবা হৌবীরগা লৈতেম মান্ননা থন্বীগনি। অসুম্না মরোল মরোল ঈশিং চাইদুনা শেন্বীরবা মতুংদা লৈতেম মান্ননা অরোইবা ফাওবা থন্বীরবা তুংদা মথক থংবদু চৰ্দনা কুপশিনবীরগা থন্বীগনি। নীংশিংবীগদবা অমনা ঈশিং চাইরগা তোৎপা মতমদা ঈশিংগী চাংসি চাদা ৬০%দগী হেলহনবীরোইদবনি। হায়বদি তোৎলিবা পোৎলমশিংদু খূৎনা পায়শিনবা মতমদা মচুম তাহল্লোইদবনি অমদি খরা চোৎনা লৈহনগদবনি। কোম মনুংদু লৈতেম মান্ননা থল্লবা মতুংদা হাপ্তা অমা লেঙদনা থন্বীগনি । মরমদি হায়রিবা মতমসিদা অহিংবা হীংকুপশিংদু মশীং য়ামহনবগী খুদোংচাবা লৈহনগনি। হাপ্তা অমা লৈরগা ওকশিং থন্বীবা য়ারে। ওক থন্বীবা মতমদা ওকশিংদুনা মনাতোন্না হুৎল-হুৎলগা চাবা থেংনরগদি মদু মায় পাকপা অমা ওইরে হায়না লৌবীগনি।

ওকশিংসি য়াম্না শীংবা শা অমা ওইবনা মথী-ময়ুং কয়া চোয়দে, মফম অমদা অদুম তৌবা থেংনজৈ। মরম অসিনা ওক মপুনা নুংতিগী য়োৎপাক্লা লৈতেম মান্ননা শেন্বীরগদি করিগুম্বা মতমদসু ওক্লা লূম্বা শা অমা ওইবনা অমদি ওকোন মনুংগী কোমদুদা হাপ্লীবা পোৎশিংদু অয়াঙবা ঙাক্তা ওইবনিনা নমথবা থেংনরক্কনি। মরম অসিনা মতম মতমগী ওইনা মথক্তা থল্লিবা পোৎলমশিংদু অমুক অমুক হাপ্লীবগা লোয়না লোয়নবা হীংকুপ অমদি ৱাগী মহীসু হাপ্লীগনি। অসুম্না মনুংদা লৈরিবা ওক্কী কুনফমশিং মখোয়শিংদু য়োম্থোকত্রিফাওবা নৎত্রগা চহী অমা চূপ্না থন্বীবা য়াই। ওকোন মনুংদা লৈরিবা পোৎলমশিংদু কম্পোষ্ট ওল্লবনিনা লৌউ-শিংউবা অমদি পোৎ চৈ থাবদা শীজিন্নবা য়াই। কেজি অমনা স্কৱার মিটর অমগী চাংদা লৌফমদা শীজিন্নবসু য়াই। মসি ঙাগী মচিঞ্জাক ওইনসু শীজিন্নবা য়াই।

অসিগুম্বা বোকাশীগী মওংসিদা লোয়রবা ওকশিংগী পীজ পীথক তৌনবা পাত্রদু ওকোনগী মপান নৎত্রগা মনুংলোমদা থন্বীবা য়াই। তৌবতবু মনুংদা থল্লগদি মপান্দগী মচিঞ্জাক পীজবা য়াবগী মওংদা থন্বীগনি। ওক মচিঞ্জাক পীজবা মতমদসু মচিঞ্জাক কা হেন্না পীজবগীী মথৌ তাদে। নোংমদা ওক মপি অমনা কেজি ৩ চাগদবদু কেজি ২দা হন্থহনবা য়াই।

অসুম্না অসিগুম্বা অনৌবা মওং অসিদা ওক য়োকপীরগদি শিবা-নাবগী চাং হন্থবতা নত্তনা হেন্না শেন্দোং লৈবা অমা ওইবগা লোয়ননা মনম মহা চেন্দনা লোয়বা ঙমগনি। ●

# দার্জিলিংগী মল্লবা ‘গঙ্গা মায়া লৈকোন’ উরুবদা

## (ঈশিং-চাইবী য়েংনীংদবা কনাবু লৈগনি, আ-চীংনুংগী ঈশিং-চাইবীদু য়ৌননবা লন্বী শেম্নরিবনি লৈঙাক্লা লমকোয়বশিংগী অপাম্বা ফংননবা)

সৌবাম বিরধ্বজ

মালেমগী মফম খুদিংদা ঈশিং-চাইবী মশীং থিঙমদনা লৈ। খ্বাইদগী ৱাংবা ঈশিং-চাইবীদুনি লমকোয়শিংনা খ্বাইদগী হেন্না পাম্নরিবা, য়েংনীংলিবা। অদুগুম্লবা ঈশিং-চাইবীদু চীংনুংগী মফম অমদা হেক লৈরবা, থেংনরবা মফমদু য়ৌনা চঙশিনবা য়াননবা লৈঙাক্লা লন্বী শোয়দনা শেমগনি। লমকোয়বশিংগী পূক্নিং চিংশিন্নবা, লমদমদুগী (ইনকম/ইকনমি) অকোইবা মীয়ামগী নুমিৎ খুদিংগী শেন্থোক লন্বী লাক্লনবা। মহৌশা লাইরেম্বীনা পীরম্লবা ঈশিং-চাইবীগী অকোয়বদা লৈরিবা মীয়াম পূম্নমক্কী নুংঙাই-য়াইফবা পুন্সি মহিং ওইননবা। “আ চীংনুংগী ঈশিং-চাইবীদু য়ৌননবা লন্বী শেম্নরিবনি লৈঙাক্লা লমকোয়বশিংগী অপাম্বা ফংননবা” লৈঙাক্লা শেমদনা কনানা শেম্লুনি। আফ্রিকাগী শুক্লা মল্লবা নাতে য়াম্না চাখিদ্রবা অঙকপা ফংনা ফজরবা ৱাংলবা (১) তুগেলা ৱাটর ফোলস (২) এঞ্জেল ৱাটর ফোলস অনীদুদি লন্বী শেম্বা ঙমদদুনা মালেমগী খ্বাইদগী ৱাংবা (অকক্লবা অৱাংবা ওনবা ঙমদ্রি হায়নরিবা) ঈশিং-চাইবী অনীসি য়ৌননবা লন্বী শেমদদুনা য়েংবীনবা কনাসু লৈতবনা ঈশিং-চাইবীনা মরোমদোম তূমিন্না চেন্থরিবনি, লমদমদুগী উরুবা অখঙবা মীয়াম্না তকশি শোল্লিবনি। মদুগুম্বা ৱাংদ্রবসু দার্জিলিংগী ‘রোক ৱাটর গার্দেন’/ৱেল কম টু (চুন্নু সম্মর ফোলস) অসুম্না ২ থোক্লা থেংনজৈ (অনীমক চুম্বা মাল্লি, মৈতৈ/মীতৈ হায়না খঙনবগুম) অনীমক চপ মান্নৈ, অপাম্বা অমদা হেক্তা ইজরগে। কলম অসিবু পাবিরিবশিংনা ইন্টরনেটতা অনীমক য়েংবিননবা অইবনা থমজরি। য়াম্না শাথীনা ঙমখ্রবা লন্বীনি, হায়ৱেদগী তোঙানবা লন্বী অমা ৱেষ্ট বেঙ্গল লৈঙাক্লা মমাঙঙৈদা লমকোয়বশিংগী পূক্নিং চিংশিন্নবা শেমখিবা লন্বীনি। হৌজিক্তি রিপ্যারিং ফজনা তৌবীদদুনা লমকোয়বশিং লাকপগী চাং য়াম্না হন্থরবনি। লন্বীদুদা চাকা অনেম্বা গাড়ীনা চৎপদা নুংঙাইরোই হায়দুনা লমকোয়রোই অয়াম্বনা টাটা সুমোদা হায়ারিংদা/শিয়ারিংদা চৎনৈ। ঐখোয় ফেমিলিগীদি ঐখোয় অহুমদং টাটা সুমো অমা হায়ারিংদা ‘রোক ৱাটর ফোলস’ য়েংবা চৎলে। লন্বীদু য়াম্না ওন্থগা লোয়ননা থেকোই নাকোইনবনা শ্বাই-শ্বাই লাওবা মরক্তা লৈচিন নোংফাইনা পুন্মম মল্লবা, গাড়ী লাইট থান্দুনা থৌনরিবনি। নুমিৎ মঙাল ফংলক্লবা উমংগী শরুক পাথরক্লবা, অকোয়বগী মফম কোকথোক্লগা শেম্লবনিনা লৈচিন নোংফাইসু পাথরক্লবা মতমদুদা রোক ৱাটর ফোলস য়ৌরদুনা লমকোয়বশিংনা মফমদুদা পীক থল্লম্লে, মফমদু নুংঙাইনা য়েংলে, ফোটো/ভিদিও কাপ্পরে। আ মথক য়ৌননবা খূৎশেমগী খূৎ পায়ফম শেম্লদুনা চীংচেপকী নাকন্দা থাক থাক শেম্লি, ফোটো অমসুং ভিদিও কাপ্পা য়াননবা পীক্তক পীক্তকপা লৈতেম মান্নবা পোথাফম ফজরবা ফম্ফম কয়ামরুম শেম্লি, দুকান মচা, হোটেল মচাশিং অদুমক মরাং কায়না লৈরি। মফমসিফাওবদি ঐখোয়গী পেকেজগী মনুং চল্লি, লমকোয়বশিংদা য়েংননবা পীরিবা অইবা চেমাইদুদা ময়েক শেংনা য়াওরিবনি।

ঐখোয়গী গাড়ী দ্রাইভরনা ঐখোয়দা হায়রক্লম্মী মফমসিদা লন্বীসিদা য়েংগদৌবা পেকেজদি লোইরে অদুবু পেকেজগী মনুং চন্দবা মসিদগীসু হেন্না ফজবা মফমসিদগী কিলোমিটর ৩/৪ রোম চত্থরগা য়াম্না ফজবা গার্দেন অমা লৈরি। মফমদু য়েংনীংলবদি অহেনবা লুপা ৬০০ পীরগদি মফমদুদা থৌথরগা য়েংলুবা য়াগনি হায়রক্লে। ঐনা লুপা ৪০০ হাপ্লগে হায়বদা পেট্রোল থাওসু য়াম্না চাগনি মতমসু অদুমক কুইনা চঙগনি লুপা ৫০০দি হাপ্লীয়ু মাগী শেন্দোং (পোকেৎ মনি) ওইজগে, হোটেল মপুদদি হায়দোকপীগনু, মা অমুক সম্পেন্দ তৌবীগনি হায়রকপদগী ঐখোয়না য়ারদুনা ‘গঙ্গা মায়া লৈকোন’ তম্না থৌথরে। মাগী অতোপ্পা মমান্নবা গাড়ী খাম্মিন্নরিবা দ্রাইভরশিংদা য়াম্না হরাওনা হায়রম্মী, মমান্নবশিং অদুনসু মখোয়সু লাক্কনি হায়না য়াম্না হরাওনা খুম্লক্তুনা ৱারী শান্নরি। অসুম্না লমকোয়বশিংগা য়ান্নরবা গাড়ী দ্রাইভরশিংদু নুমিৎতুগী অহেনবা শেনফম ফংজদুনা মোমোন নোকচরবা মমান্নবশিংনি।

ঐখোয় অহুমগনা ‘গঙ্গা মায়া লৈকোন’ য়েংলুবদগী ঐগী পূক্নিংসি প্রোক-প্রোক চাল্লিবনি। কিলোমিটর ৩/৪গী শাথীনা ঙমখ্রবা মতম কুইনা রিপ্যারিং তৌবিদ্রবা (লৈঙাক্তা ইনকম লাক্তবদগী ওইবসু য়াই) লন্বীদুদা লমকোয়বশিং পঙনা চঙনদে। লন্বীনা মরম ওইরগা লমকোয়বশিং চঙনদ্রবনিনা ‘গঙ্গা মায়া লৈকোন’ গী মরাইবক করম থোক্কদৌরিবনো য়াম্না লুরবা ফীভমদা অসুম অসুম শোকচিল্লক্লি। মফমদুদা লৈহৌরিবা ‘গঙ্গা মায়া লৈকোন’ দু ঐখোয়গী মণিপুরগী তম্পাক্কী চীংখোঙ চীংয়াগী লমদমদগা ওইরম্লবদি লমকোয়বশিংনা চীক্লা-চাইনগদৌবনি। রোক ৱাটর ফোলসকী লোক মরীল (ঈশিং মরীল) লা নৎত্রগা অতোপ্পা চীংগী লোকচপকী ঈশিং মরীল্লা হায়বদুমদি চপ চানা খঙদ্রে, পীকনিক পাম্বশিংগী নুংঙাইখ্রবা মফমদি শোয়দনা ওইগনি। চীংগী থেনশিংদা শারল্লিবা মীথুংশঙ মখল মখলশিং থেকোই-নাকোইনরবা খোঙ লন্বীশিংনা শম্নহল্লি, য়াম্না ক্বালিটি লৈনা শারল্লিবা অমসুং খোঙ লন্বীশিংদু মেন্টেনেন্স কুইনা তৌবিদ্রবনিনা থারবা ইশঙনা মফম খুদিং শিনবা থুংনা ঈশংগী ‘গঙ্গা মায়া লৈকোন’ ওনখ্রে। খ্বাইদগী পাম্মুরিবদি ‘গঙ্গা মায়া লৈকোন’ দুদা শেম্লল্লিবা মহৌশা লাইরেম্বীনা খুদোল তৌরম্লবা লোক্কী ঈশিং অরুবদু স্বিমিং পুলগুম্না ইকোয় কোয়না স্বিমিং পুল ৪/৫দগী হেন্না চাওরবা মওং মতৌদা ইকোয় কোয়শিল্লগা অহেনবা পাথোরকপা ঈশিংদু অমুক লোক্কী ইরমদুদা মনীং তম্না চেন্থখ্রিবনি। অদুম্না খূৎশেমগী স্বিমিং পুলগুম্না শেমখ্রবা ঈশিং ঈপাক্তুদা লমকোয়বশিংনা মোটোরবোট অমসুং বোটশিংদা তোংদুনা মহৌশাদি শান্নরল্লিবনি। মোটোরবোট অমসুং বোট তোংনবগী টিকেট ককফমদু মী লৈরমদ্রে, ছো লোন্দুনা লৈরম্লে। মফমদুদা মোটোরবোট অমসুং বোট মঙাদি উপশিল্লগা অমুক হাংলক্কদৌবা মতম ঙাইবগুম লৈহৌই। টিকেট মমল য়াম্না লৌরম্লবসু লমকোয়বশিংনা য়াম্না পাম্লবনিনা মীনা পুমথন থল্লম্বা ‘গঙ্গা মায়া বোটিং’ হায়না থাবা অপীকপা সাইনবোর্দ মচা অমা কিন্থরগে মতাগুম উপাল অমদা য়ান্থরদুনা পিরাং শিন্থনা কপহৌরি।

ঙল্লবা ফীভম শোক্লবা লন্বী অদু ‘গঙ্গা মায়া লৈকোন’ দা লোইশিল্লবা (লাষ্ট ষ্টোপ) অরোইবা পন্থুং ওইরবনি, মখা চত্থননবা লন্বী লৈত্রে। অদুগুম্লবা মহৌশা লাইরেম্বীনা খুদোল তৌরম্লবা ঈশিং চাইবি মফমদু য়ৌননবা ৱেষ্ট বেঙ্গল লৈঙাক্লা অঙম্বা, হুরু-হুরু লৈশিল্লবা লন্বীদু লমকোয়শিংনা য়েংবা লাক্লনবা শেম্লিবনি অমসুং লন্বী লৈরবনিনা লমদমদুগী মীয়াম্না তপ্পা তপ্পা লন্বীগী নাকল অনীমক্তা খুন্দারিবনি। অদুগুম্লবা মমল চংনা শাখ্রবা লৈকোন্দুনা লমকোয়বশিংগী থম্মোয়দা পাখোং অমদি চল্লিবনি :- (১) গুর্খালেন্দ তাল্লিবশিংনা তোঙানবা এদমিনিষ্ট্রেটিভ নৎত্রগা ষ্টেটহুদ ওইনা পীয়ু হায়না তাল্লিবসি অচুম্বা লালহৌনি। (২) অঙম্বা চীং লন্বীগী মপান্দা খুন্দারিবা দার্জিলিং মীয়ামগী খনবীদুনা লন্বীদু ৱেষ্ট বেঙ্গল লৈঙাক্লা অঙম্বা থৌনানা পাকথোক চাওথোক্লা শেন্ফম থোক্তবরা? (৩) অদুগুম্লবা য়াম্না ঙমখ্রবা, য়াম্না থেকখ্রবা লন্বী অদু মীয়াম্না শেমজিনবা ঙম্ফম থোক্তে। মরমশিং অসিনা লমদমদুগী চীংনুংদা খুন্দারিবা ‘গুর্খা’ ফুরুপশিংনা ‘গুর্খালেন্দ এদমিনিষ্ট্রেটিভ’ নৎত্রগা তোঙানবা ষ্টেট পীগদবনি হায়না দিমান্দ তৌদুনা লান হৌরিবনি। অহোইনদুম লান হৌই হায়দুনা অদুগুম্লবা লন্বীশিং অদু শেম্বীদ্রিবনি। মমৈথংদা মমল য়াম্লবা মী ওই কয়া মথ্বায় মাঙখিবদগী মখোয়গী লালহৌ অদুদগী মমায় লৈদুনা ‘পিপলস কনভেন্সন’ গী ৱারেপ্পা ৱাখৈনবগী পান্দমদা চীংলৈবাক্কী মীয়াম্না চপ মান্ননা হৌদুনা চুংশিন্নদুনা মখোয়গী লোকল পার্টি শেমদুনা গনতন্ত্রগী পাম্বৈনা অওনবা পুরক্লবা য়াম্না কন্না হোৎনরি। লোকল পার্টিগী এম এল এ কয়া কাহন্দুনা ৱেষ্ট বেঙ্গল লৈঙাক্তা শৌগৎতুনা লৈরবনি। অসুম্না মফমদু য়েংলম্লগা পেন্দবা শ্বর অশাংবা অমা হোন্দোকখিবা খঙহৌদে, চিন্তা লোইনবা ফোঙদোক্তবা ৱাখল চবুন চবুন পুরদুনা মফমদু কোইলৈ লৈদুনা ফোটো অমসুং ভিদিও কাপ্পা কাপ্পদুনা মফমদুদগী থোরক্লে।

দার্জিলিংগী ময়োল লমদম য়ৌরদুনা লমকোইবশিংনা য়াম্না পাম্নরা তোংনরিবা রেলগাড়ী মচাদু তোংননবা টিকেট ককফমদা লাক্লে। মফমদুদা কোয়লানা থৌবা রেলগাড়ী ‘দাবা’ অমখক্তং পানবা টিকেট মমল মী অমদা লুপা লিশীং ২ পীবনি, সিট য়ামদবনিনা টিকেট ফংনদে। ঐখোয়সু ফংহৌদদুনা ইঞ্জিন্না থৌবা ‘দাবা’ অনী পানবা মী অমগী লুপা ১২০০ পীবদু ককহৌরে। রেলগাড়ীদু তোংলগা লমদমদুগী ফজরবা যূমশিং, চীং-লোক অমসুং সিনরিশিং য়েংবসি ওন্থোক্লা নুংঙাইখ্রে। অসুম্না কিলোমিটর ১৮মুক রেলগাড়ী লন্বীদা চৎলুরগা হল্লকপনি। ঐখোয় হল্লকত্রিফাও মথংগী টিকেট পায়রিবশিংনা ঙাইনরিবনি। টিকেটতা থারিবা পুংশিংদু নংননবা লোইনমক লাক্লে। ঐখোয়না পুং ৩ তারমদাই, টিকেট ক্লোজ তৌরমদাইদা ককখিবনি অদুগা রেলগাড়ী তোংগদৌবনা নুমিদাং পুং ৫নি। পুং ২ ঙাইগদৌবা মতমদুদা য়াম্না নক্লনা লৈরিবা ‘জু’ দা টেক্সি তোংলগা চৎনৈ নৎত্রগা অনকপদা সোপ্পিং তৌদুনা নৎত্রগা চা/চাক চাদুনা অদুম ঙাইনরগা লৈ। ঐখোয় অহুমদি শোপ্পিংদি নুমিদাং তৌরগসু য়াগনি অদুনা ‘জু’ হান্না ঙল্লিঙৈ য়েংহৌবনা ফরে খল্লদুনা টেক্সি অমা ফারগা জু মায়কৈ তম্লে। মতম খুয়ৌনবনা নাকপাক অমরোমদা থল্লিবা জুগী জিবশিং তঞ্জাই অমদি য়েংলমদনা কুমথরগা হল্লক্তুনা রেলগাড়ী তোংনা তোংনা সিনরিশিং য়েংনা য়েংনা অদুমক ‘মল্লবা গঙ্গা মায়া লৈকোন’ দু থম্মোয় লকানুংদৈ ওন্থোক্লা পাম্মুজৈদকো শোন্দুনতা রেলগাড়ী মনুংদা খল্ল খল্লদুনা ঐখোয়গী লৈফম হোটেলদা হল্লক্লে।

ইম্ফাল এয়রপোর্ট য়ৌরদুনা হেক কুমথরকপগা এয়রপোর্টকী অহাঙবা অকোয়বা চীংয়া তময়া করম্বা মায়কৈদা লোয়ালমদনো খঙদনা নোংমৈ মখোল লেপ্তুনা তারক্লে। ঐখোয় অয়াম্বা খোঙকাপ মশীং থুজিল্লি কদাইদা কাপ্লববু ওইরিগবা ! খন্না খন্না ভেগেজ নম্বর টুদগী ঐখোয়গী লগেজশিং লৌরগা টেক্সি অমা ফারদুনা ঙসিবু, হৌজিকপু কদাইদা কাপ্লবগে হংলুবদা টেক্সি থৌবদুনা কাপ্লবগী পাউ তাদে হায়না খুল্লকই। এরোপ্লেনদৈ কুমথরকপদা মশীং খঙদনা নোংমৈ কাপ্লবগী মখোল তারক্লিবসিদি ? ও হো মদুদি এয়র ফিল্ডদা উচেক তানবগী গ্যাস কাপ কাপ্তুনা উচেকশিং তানবগী মখোলনি তামো, নোংমৈ কাপ্লবা নত্তে হায়না খুল্লকই। মতম ফৎত্রবনিনা কয়াদা লান্না খল্লুরবনো, ঙাইহাক্কী মমাঙদদি নোংমৈ মরূ য়ৌরক্লগদৌবগুম থবোম্বীগী শ্বর অসি থবেৎ থবেৎ হোল্লদুনা মিহুন দিং দিং চোংলম্বনি। হৌজিক্তা চনীং তানা হোনবা ঙমজরে, উচেক তান্নবগী গ্যাস কাপথোকপগী মখোলদা উচেকশিংসু মসা খপ্তুনা পাইরমগনি। ●



### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭০

১) **“খন্থ খন্থরুরগা নুংঙাইরকপা”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

২) **“য়ুরাংফম”** (২০১১) হানা মীংথোনবা লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল অদু কনানা ইবনো অমসুং মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

৩) **“লন্বী অমদা”** হায়রিবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং কনানা ইবনো?

৪) **“হে ইমা পোক্লফম লমদম ও/পলেম-পোকপী পলেম ও/য়েংঙমদেনে নঙগী ৱারবা নতৌ/উঙমদেনে নীংবা কায়রবা শক্তম/”** শৈরেং মতেক অসি মণিপুর মপানগী অইবা অমগী লাইরিক্তগী লৌথোরকপনি, অইবা অসি কনানো অমসুং মহাক্কী করম্বা লাইরিক্তগী লৌথোরকপা শৈরেং মতেকনো?

৫) **“নোংথাঙনা মুৎখ্রবদা”** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ৩০, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৬৯গী পাউখুম

১) **“ভগবান শ্রীরাম”** (২০০৮) হায়বা কাব্য অসি কনানা ইবনো?
**:- অইবা - সম্বান্দুরাম নন্দকিশোর সিংহ।**

২) **“মমি শেংখিদ্রবা নুংশিবা”** হায়না মীংথোনবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো? **:- অইবা - মৈনম ভরত সিংহ, লাইরিক্কী মখল - নোভেল, অহানবা ফোঙবা ২০২৩।**

৩) **“অশিববু কোন্দুনা সমাধি মখাদা/লৈররে ইতোমতা তূমদুনা; করিগী অমুক হন্না লাক্লিবা/থম্মোয়গী মৈচাকপু চাকহনগে হায়না/”** ঈশৈ মতেক অসি অসামগী শক্লাইরবা শৈশকপা অমগী ঈশৈশিংদগী খোমজিন্দুনা মণিপুরীদা হন্দোরকপদগী লৌথোরকপা ময়েকনি। মণিপুরীদা হন্দোক্লিবা অসি কনানো?
**:- ড° ভূপেন হাজরিকাগী ঈশৈশিংবু মণিপুরিদা হন্দোক্লিবী নিঙোম্বম অনিতা, লাইরিক্কী মমিং - মীনা মীগীদমক, অহানবা ফোঙবা : ২০০৮।**

৪) **“কংফালগী অরোইবা লমদমদৈ”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো? **:- অইবা - ইবোসনা য়ামবেম, অহানবা ফোঙবা - ২০০৭।**

৫) **“মায়থোঙদা লোৎলিবা মমিশিং”** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং কনানা ইবনো? **:- লাইরিক্কী মখল - ৱারীমচাগী খোমজিনবা, অইবা - য়েন্দ্রেম্বম রনধির কুমার, অহানবা ফোঙবা - ২০১১।**

## কদাংবন অমদি সেঞ্জম চিরাংগী লানবন ঙাকপশিংদা মতেং পাঙখ্রে

**ইম্ফাল, জুলাই ১৬ (ঐচএনএস):**
চৎলিবা চহীসিগী মে ৩ দগী চিন কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা মণিপুরগী চীংখোং চীংয়াগা তাইনবা খুঞ্জাশিংদা নোংমৈ কাপশিন্দুনা অমদি য়ুম মৈ থাদুনা মীহাৎ মীপুন চত্থবগা লোয়ননা লন থুম কয়া মাঙহল্লিবা অসি থিংনবা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমদা খুন ঙাক্লিবা খুঞ্জাশিংদা মতেং পাঙবগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি।



ঙসিসু খুরাই অহোঙ্গৈ লৈকায় মৈরা পায়বী লূপ অমদি ইষ্টর্ন এদুকেসন ক্লব খুরাই অহোঙ্গৈ অনীনা খুৎশম্নরগা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চন্না লৈরিবা কদাংবন পার্ট ১ গী লান ঙাক্লিবা রিলিফ কেম্প অমদি সেঞ্জম চিরাং মনিংগী রিলিফ কেম্পদা চান থক্লবা অমদি ঈশিংনচিংবা মতেং পাঙখি। রিলিফ কেম্পদা মতেং পাঙবগী খোঙচৎ অদুদা শরুক য়ারিবী খুরাই অহোঙ্গৈ লৈকায়গী মৈরা পায়বী লূপকী হান্নগী সেক্রেটরি লাইশ্রম মেমচানা ফোঙদোরকপদা লান ঙাক্লিবা ইচাশিংনা থৱায় য়াওনা লৈবাক অসিগীদমক্তা কত্থোকপগা লোয়ননা থবক তৌরিবা মীওইশিং অসিগীদমক অঙম্বা খরা মতেং পাঙবনি। মখা তানসু তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চৎলগা খুরাইগী মৈরা পায়বী লূপশিংনা মতেং পাঙখিগনি। ঙসি পীরিবা পোৎচৈশিং অসিসু লৈকায়গী মৈরা পায়বীশিং অমদি ক্লবকী মীওইশিংনা পুন্না অঙম্বা শেল পুথোক্লদুনা হায়রিবা পোৎলমশিং অসি লৈরগা খুৎশিন্নবনি হায়রি।

লোয়ননা মচাশিংনা লানফমদা থৌনা ফনা থৌদাং য়ানবগীদমক মমা ওইবীশিংনসু মঙ্গল অশির্ব্বাদ পীবগা লোয়ননা মমা ওইবীশিংনসু অহিং য়ারেক্তুনা লন্বী সড়ক্তা মখোয়গীদমক্তা ঙাক শেন্দুনা লৈরি হায়বসি কাউগনু।

চীংয়াদা মখোয়না খুৎলায় পায়বা কুকিমিলিটেন্টশিং ঙাকপগুম লন্বী লমজাওদা তম্পাক্কী মীওইশিংনসু লন্বীদা লাকপা চিংনবা মীওইশিং খামদুনা চ্যেক তৌবগী থবকসু চত্থরি হায়খি।

( ACI ) ADVANCED COACHING INSTITUTE
LARGEST & TRUSTED PREMIER COACHING INSTITUTE IN MANIPUR
SINCE 2011
PRODUCING MAX POSITION HOLDERS IN BOTH COHSEM & BOSEM EVERY YEAR
HURRY !! LIMITED SEAT !! FIRST COME FIRST SERVE !!
SEPARATE CBSE AND BOSEM CLASS
XI & XII( Sc/Arts/Com) FOUNDATION STARTED FROM 3rd,5th & 6th July
SPECIAL CONCESSION FOR GOVT. SCHOOL/ACIAN/ST/SC /FAR DISTANCES
EXPERTED CBSE & BOSEM EXAMINER'S UNIQUE TEACHING
VI TO X (SEPARATED CBSE & BOSEM) 3rd,5th,6th & 7th July respectively
EVERY SUNDAY MOCK TEST , PRINTED STUDY MATERIAL, SPECIAL SUNDAY CLASS, EXTRA CLASS FOR WEAKER STUDENTS
REGULAR MEDICAL AND ENGINEEING FOUNDATION COURCE
1 Yr NEET & JEE FOUNDATION COURSE ( XII PASSED OR APPEARING) : 5TH JULY
2 Yr. NEET & JEE FOUNDATIONN course (XI APPEARING OR XII PASSED) : 7th July
7 Months FOUNDATION COURSE ( 12 PASSED OUT ) : 12TH JULY
1. 30 TIMES SUNDAY TEST
2. CHAPTERWISE MOCK TEST
3. MEGA (WHOLE CHAPTER 5 ( FIVE)T TIMES TEST
FREESHIP : Scoring 400 marks & above in NEET-UG 2023
Scoring 340 marks & above in NEET -UG 23 for ST
Scoring 300 marks and above in NEET-UG 23 for sc
We sue 100% ..If u are not succeed after once u join our NEET/JEE Course then we will support u without any course fee forever. R U READY ?
Faciliteis : van service, separate boys /girl hostel with wifi connection , EXTRA CLASS of Manipuri and English and optional subject for x and xii provided
For details visit office of NAGAMAPAL LAMABAM LEIKAI & KWAKEITHEL AKHAM LEIKAI BRANCH 9862992105
HL-B/8193/2-26 July (Alt)

## চীংঙামখাদা ৱাকৎ মীফম চত্থখ্রে

**ইম্ফাল, জুলাই ১৬ (ঐচএনএস):**
লমদম অসিদা তংদু লৈতাবা অমদি পুন্না কাঙলূপ অমগা অমগা পুন্না নুংশি চাননবা পুরক্ল বগীদমক পান্দমদা ঙসি শিংজমৈ চীংঙামখাদা লৈবা সায়োননা শীন্দুনা ৱাকৎ মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়ারিবী নুপী অমনা ফোঙদোকখিবদা থা অনী হেন্না লমদম অসিদা থোক্লিবা লান অসি মণিপুর লৈঙাক অমদি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা লোইশিনবা ঙমদবা অসিনা মীচম মীয়ামদা অৱাবা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরে। মরম অদুনা মণিপুর লৈঙাক্লা অথুবা মতমদা এসেমব্লি মীফম অমা ফমদুনা মীয়ামগী অপাম্বগী মতুং ইন্না চপ চাবা ৱারেপ অমা লৌদুনা মণিপুরদা হৌজিক থোক্লিবা লান অসি লেপহন্নবা হোৎনগদবনি। ৱাকৎ মীফম অদুদা ঐখোয় ইংনা চিক্লা লৈবা পাম্মী, মণিপুরগী অপুনবগী শক্তম কায়বা য়ারোই, কুকি মিলিটেন্টশিংদগী সূ হন্দোক্কদবনি, মণিপুরদা এন আর সি চৎনহনগদবনি হায়বা প্লে কার্দসু ইখি।

## নোং খজিক্তং চুবদা লন্বীদা ঈশিং থুন্লে

**ইম্ফাল, জুলাই ১৬ (ঐচএনএস):**
মণিপুর লৈঙাক্লা লন্বী অমদি দ্রেননচিংবা শেম্বা মতমদা পোলিসি অমগী মখাদা শেম্বীদবনা নোং খরা কন্না চুবা মতমদা গ্রেটর ইম্ফালগী মনুংদা লৈবা ইরম নালাশিং থেনগৎলকপনা মরম ওইদুনা ঈশিং থুম্বদগী মীয়াম্না চৎথোক চৎশিন তৌবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরে।

মতম অমদা লৈকায়গী ইরম নালাশিং অমদি হায়ৱেগী নাকলদা লৈরিবা দ্রেনশিং য়াম্না চাওনা অমদি লুনা তৌদুনা থম্লম্বনা নোং চুরকপা মতমদা ঈশিং চেন্থখিদুনা লন্বীশিংদা ঈশিং থুন্বগী চাং য়াম্না হন্থরম্মী। ঙসিদি লন্নাইগী মীওইশিংনা মশা মশাগী য়ুম কৈ শাবদা লম খোপচিন্নরকপদগী দ্রেনসু নোংম নোংমগী শুম পীকশিলক্লে। দ্রেন পীকশিনবদা নত্তনা থেনগৎপনা মরম ওইদুনা অহিং অমা নোং চুবা মতমদা দ্রেনদা ঈশিং চেনফম লৈতদুনা লৈরক অমদি লন্বী লমজাওদা ঈশিং পাথোরক্তুনা থুন্লে। মরম অদুনা হিরমসিগী মতাংদা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা লন্বীগী নাকলদা লৈবা দ্রেনশিং অসি খরা লুনা অমদি চাওনা থম্নবা চহী ৫০ রোমগী প্লান তৌবা মথৌ তারে হায়না ককৱা সোরোখাইবম লৈকায়দা লৈবা অহল অমনা ফোঙদোরক্লি।